১২ শুবা য়োল্লো কপ অন্দর-১৫ বোইজ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯

# য়ঙ বোইজ পুখাও, মঙালসম্না, পিৱাই পি সী পুংদোংবম, য়োল্লো কৈবি মায় পাকখ্রে, চনুঙ এফ সী অমসুং ৱাই এ সী দ্রো চৎখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ০৩ (ঐচএনএস)ঃ দি য়ং লর্নস লাইব্রেরি এন্দ লিদিং ওর্গনাইজেসন (য়োল্লো) কৈবিনা শীন্দুনা প্রাইমরি স্কুল গ্রাউন্দ কৈবি ইম্ফাল ইষ্টতা চথরিবা ১২ শুবা য়োল্লো কপ অন্দর-১৫ বোইজ মণিপুর ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা য়ঙ বোইজ পুখাও, মঙালসম্না, পিৱাই পি সী পুংদোংবম, য়োল্লো কৈবি মায় পাকখ্রে। অদুগা চনুঙ এফ সী অমসুং ৱাই এ সী দ্রো চৎখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম কয়ানা শরুক য়াদুনা চথরিবা ১২ শুবা য়োল্লো কপ অন্দর-১৫ বোইজ মণিপুর ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসিগী ১৪শুবা মেচ ওইনা য়ঙ বোইজ পুখাও অমসুং ক্রেজি বোইজ য়ুম্নাম খুনৌ লম্বা তৌনখি। মেচ অসি হেক হৌবগা টিম অনীনা টিম অনীনা লম্বা চানা শান্নখিবনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙম্মদনা ০-০দা লৈনখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপদা য়ঙ বোইজ পুখাওনা হেন্না ফজনা শান্নরকখি। মেচকী ৩৬শুবা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ১৯ দিজেন্নামহাক্কী টিমগী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা মেচ অদু ১-০দা মাঙজিল থাহনখি। দিজেন্না চনখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্লবা ক্রেজি বোইজ য়ুম্নাম খুনৌগী শান্নরোয়শিংনা অকনবা মওংদা হোৎনরকখি। মেচকী ৩৭শুবা মিনটতা টিমসিগী শান্নরোয় জর্সিনম্বর ১৩ মনোজনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মেচ অদু ১-১দা লৈহনখি। মখা তানা মেচকী ৩৯শুবা মিনটতা য়ঙ বোইজ পুখাওগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ৪ রোবার্টনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মেচ অদু ২-১দা অমুক লৈহনখি। মখা তানা টিম অসিগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ১৬ জেমসন্না মেচকী ৪০শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা ৩-১দা লৈখি। মেচ লোইবা ফাওবদা য়ঙ বোইজ পুখাওনা হেন্দুনা চৎলিবা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমদবদগী ক্রেজি বোইজ য়ুম্নাম খুনৌ মায়থীহৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১৫শুবা মেচ ওইনা চনুঙ এফ সী অমসুং ৱাই এ সী কুমুদা লম্বা তৌনখি। টিম অনীনা লম্বা চানা শান্নখিবা মেচ অদু লোইশিল্লকপদা পাঞ্জল ২-২দা দ্রো চৎখি। চনুঙ এফ সীগী পাঞ্জলশিং অদু সনাথোই অমসুং ইবুংঙোনা পাঞ্জল অমমম চনখি। অদুগা ৱাই এ সী কুমুদাগী পাঞ্জল অদুনা বাটহেনা মেচকী অহানবা মিনট অমদি ৪০শুবা মিনটতা পাঞ্জল অনী চনখিবনি।

১২ শুবা য়োল্লো কপ অন্দর-১৫ বোইজ মণিপুর ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ১৬শুবা মেচ ওইনা ও এফ এ পুংদোংবম অমসুং দেবেন এফ সী লম্বা তৌনখি। মেচ অদু ওএফএ পুংদোংবম্না দেবেন এফ সীবু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীখি। মায় পাক্লবা ও এফ এ পুংদোংবমগী পাঞ্জলশিং অদু মঙালসম্না, পরাস অমদি রাজেসনা চনখি। অদুগা মায়থীহৌরবা দেবেন এফ সীগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদুনা রিকিনা চনখি।

১৭শুবা মেচ ওইনা উয়ুমপোক এফসী অমসুং পিৱাইপি সী শান্নখিবা মেচ অদু পিৱাইপিসীনা উয়ুমপোকপু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীখি।

১৮শুবা মেচ ওইনা য়োল্লো কৈবি অমসুং ৱাইখোং এফসী শান্নখিবা মেচ অদু য়োল্লো কৈবিনা ৱাইখোং এফ সীবু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীখি। মায় পাক্লবা য়োল্লোগী পাঞ্জল অদু দিঙ্কুনা চনখি।

ইন্টর রেঞ্জ সী আর পি এফ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯

# আগরটলা রেঞ্জ, দিব্রুগর রেঞ্জ, গুৱাহাটি রেঞ্জ অমসুং ইম্ফাল রেঞ্জ মায় পাকপা ঙমখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ০৩ (ঐচএনএস): মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেরস, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী লমজিং মখাদা গ্রুপ সেন্টর সী আর পি এফ লাংজিং ইম্ফাল রেঞ্জনা শীন্দুনা লাংজিংদা লৈবা গ্রুপ সেন্টর সী আর পি এফকী ফুটবোল গ্রাউন্দদা চথরিবা ইন্টর রেঞ্জ সী আর পি এফ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা আগরটলা রেঞ্জ, দিব্রুগর রেঞ্জ, গুৱাহাটি রেঞ্জ অমসুং ইম্ফাল রেঞ্জ মায় পাকপা ঙমখ্রে।

তোঙান তোঙানবা সী আর পি এফ রেঞ্জ ৮গী টিমনা শরুক য়াদুনা চথরিবা ইন্টর রেঞ্জ সী আর পি এফ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী অহানবা মেচ ওইনা খটখটি রেঞ্জ অমসুং আগরটলা রেঞ্জ লম্বা তৌনখি। মেচ অদু হেক হৌবদগী হৌনা আগরটলা রেঞ্জনা খটখটি রেঞ্জবু য়াম্না লাকচনা শান্নখি। মেচ অদু লোইশিল্লকপদা খটখটি রেঞ্জনা আগরটলা রেঞ্জবু পাঞ্জল ৪-১দা মায়থীবা পীখি। মায় পাক্লবা খটখটি রেঞ্জগী পাঞ্জলশিং অদু জর্সি নম্বর ১০ রাজবঙ্গিনা মেচকী ১৯শুবা অমদি ৩০শুবা মিনটতা পাঞ্জল অনী, জর্সি নম্বর ১৮ মনোজ বোরোনা মেচকী ৪৩শুবা মিনট, জর্সি নম্বর ১৭ পেরিমালনা মেচকী ৫৩শুবা মিনট পাঞ্জল অমমম চনখি। অদুগা মায়থীহৌরবা আগরটলা রেঞ্জগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদুনা জর্সি নম্বর ১৭ হাওকিপনা মেচকী ৫৫শুবা মিনটতা চনখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা দিব্রুগর রেঞ্জ অমসুং কোহিমা রেঞ্জ শান্নখি। মেচ অদু অমনা অমবু হেনজিন্নবা য়াদনা শান্নখিবনা পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙম্মদনা লৈনখি। মেচকী ১৭শুবা মিনটতা দিব্রুগর রেঞ্জগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ২৬ সুনারাম মুরমুনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মেচ অদু ১-০দা মাঙজিল থাহনখি। কোহিমা রেঞ্জগী শান্নরোয়শিংনা পাঞ্জল অদু হন্দোক্লবা হোৎনরবসু দিব্রুগর রেঞ্জগী দিফেন্স লাইন য়াম্না লীংনা লৈখিবনা মেচ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমদনা মায়থীহৌখি।

অহুমশুবা গ্রাউন্দদা সিলচর রেঞ্জ অমসুং গুৱাহাটি রেঞ্জ শান্নখি। মেচ অদু হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা গুৱাহাটি রেঞ্জনা য়াম্না লাকচনা শান্নখিবনা পাঞ্জল ১০-১দা মায় পাকখি। মায় পাক্লবা গুৱাহাটি রেঞ্জগী পাঞ্জলশিং অদু এম টি নরানমি জর্সি নম্বর ১০না মেচকী অহানবা, ৭শুবা, ৩২শুবা, ৩৯শুবা অমদি ৫২শুবা মিনটতা পাঞ্জল মঙা চনখি। মনোজ বর্মা জর্সি নম্বর ১১না মেচকী ৮শুবা, ১২শুবা ১৬শুবা মিনটতা পাঞ্জল অহুম চনখি। এম এস মৈতৈ অমসুং অখিল এমফ্রানলিননা মেচকী ৩শুবা, ৪৪শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমমম চনখি। মায়থীহৌরবা সিলচর রেঞ্জগী পাঞ্জল অদুনা রন্টু দেৱারি জর্সি নম্বর ১১না মেচকী ৪৫শুবা মিনটতা চনখিবনি।

মরিশুবা গ্রাউন্দদা ইম্ফাল রেঞ্জ অমসুং বোঙ্গাইগাওন রেঞ্জ লম্বা তৌনখি। মেচ অদু হেক হৌবদগী হৌনা ইম্ফাল রেঞ্জনা বোঙ্গাইগাওনবু য়াম্না লাকচনা শান্নখিবনা পাঞ্জল ৬-০দা মায়থীবা পীখি।

মায় পাক্লবা ইম্ফাল রেঞ্জগী পাঞ্জলশিং অদু সী হাওকিপ জর্সি নম্বর ১৮না মেচকী অহানবা অমদি ৪৩শুবা মিনটতা পাঞ্জল অনী চনখি। ভুপেন বোরো জর্সি নম্বর ৬না মেচকী ১৩শুবা, ৫২শুবা অমদি ৫৩শুবা মিনটতা পাঞ্জল অহুম চনখি। অদুগা ইবোয়াইমা জর্সি নম্বর ১৩না মেচকী ৫০শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চনখিবনি।

অনীশুবা এস দি এ য়ু ট্রোফি-২০১৯

# বি এল ন্যুত্রিসন তেকচম অমসুং এস ৱাই সী ও তেন্থা মায় পাক্কুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ০৩ (ঐচএনএস): সোসিএল দিবলপমেন্ট এঠলেটিক য়ুনিয়ন (এসদিএয়ু) তেকচমনা শিন্দুনা তেকচম হায় স্কুল গ্রাউন্দ, তেকচমদা চথরিবা অনীরকশুবা এস দি এ য়ু ট্রোফি-২০১৯ গী ঙসি শান্নখিবা প্রী ক্বার্টর ফাইনেল মেচশিংদা মায় পাক্কুনা বি এল ন্যুত্রিসন তেকচম অমসুং এস ৱাই সী ও তেন্থা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ২২না শরুক য়াদুনা চথরক্লিবা অনীরকশুবা এস দি এ য়ু ট্রোফি-২০১৯ গী ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দগী মঙাশুবা প্রী ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা এ এস এস এ শঙ্গাই য়ুম্ফমনা মতম চানা রিপোর্ট তৌরদবদগী বি এল ন্যুত্রিসন তেকচম্না ৱাক ওভর ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

অনীশুবা গ্রাউন্দগী তরুকশুবা প্রী ক্বার্টর ফাইনেল মেচ ওইনা এস ৱাই সী ও তেন্থা অমসুং এফ সী লমজাও লম্বা তৌনখি। মেচ অসি হেক হৌবদা এফ সী লমজাওনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নরকখি। এফ সী লমজাওগী মায়কৈদগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌনবা অকনবা প্রেসরগা লোয়ননা এটেক কয়া চথরকখি। মেচকী ১৯শুবা মিনটতা এফ সী লমজাওগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ৬ ঈ জয়কিশননা মহাক্কী টিমগী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা ১-০দা লৈহনখি। জয়কিশন্না চনখিবা পাঞ্জল অদু এস ৱাই সী ও তেন্থাগী শান্নরোয়শিংনা হন্দোক্লবা হোৎনরকখি। অদুবু মায় পাকখিদে। মেচকী ২৬শুবা মিনটতা এফ সী লমজাওগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ৯ এল কিষননা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ২-০দা অমুক লৈহনখি। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা এস ৱাই সী ও তেন্থাগী মায়কৈদগী মখোয়না শোথরিবা পাঞ্জলশিং অদু হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপগা টিম অনীনা অহানবা হাফতা শান্নরম্বা অদুদগী হেন্না ফজনা শান্নরকখি। মেচকী ৩৯শুবা মিনটতা এফ সী লমজাওগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ৬ ঈ জয়কিষননা মহাক্কী অনীশুবা পাঞ্জল চনশিন্দুনা ৩-০দা অমুক হন্না মাঙজিল থাহনখি। মিনট অমা কান্নরগা টিমসিগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ৯ এল কিষনসু মহাক্কী অনীশুবা পাঞ্জল চন্দুনা ৪-০দা লৈহনখি।

পাঞ্জল ৪ শোথরিবা এস ৱাই সী ও তেন্থাগী শান্নরোয়শিংনা নীংহন্নবা লৈতনা চথরকখিবা এটেক অমদা মেচকী ৫৩শুবা অমদি ৫৪শুবা মিনটতা টিমসিগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ১৪ নরেসনা পাঞ্জল অনী মথং মথং চনশিন্দুনা মেচ অদু ২-৪দা অমুক লৈহনখি। এস ৱাই সী ও তেন্থানা পাঞ্জল অনী হন্দোকখ্রবা মতুং এফ সী লমজাওগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ৬ ঈ জয়কিষননা এক্সত্রা টাইমদা মহাক্কী অহুমশুবা পাঞ্জল চন্দুনা হেটট্রিক লৌদুনা মেচ অদু ৫-২দা লৈহন্দুনা মায় পাকপগী লম্বীদা পুশিনখি। মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা এফ সী লমজাওনা হেন্দুনা চৎলিবা পাঞ্জলশিং অদু এস ৱাই সী ও তেন্থাগী মায়কৈদগী হন্দোকপা ঙমদনা মায়থীহৌখি। অদুগা এফ সী লমজাওনা ৫-২দা মায় পাক্কুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।

# এম সী এনা বি সী সী আইদগী ফুল মেম্বরশিপ ফংবদগী মণিপুরদা ক্রিকেট মশান্না অসি খুমাঙ চাওশিল্লে : ললিতচন্দ্র

টি ঐচ অরুনজিৎ

ইম্ফাল জুলাই ০৩ (ঐচ এন এস): মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসননা বি সী সী আইদগী ফুল প্লেস মেম্বরশিপ হেক ফংবদগী দোমেষ্টিক টুর্নামেন্ট ময়াম অমা ফ্রীলি চৎপা ঙম্লে। প্লেয়রশিংনা চৎপা মতমদা টিক্কেট ফ্রীদা কল্লে। চাবা-থকপা, লৈফম-চাফম ফ্রী ওইরে। হান্না বি সী সী আইদা ফুল মেম্বর ওইদ্রিঙৈ মতমদদি প্লেয়র মশা-মশানা খায়নরগা, এসোসিএসনগী মেম্বর সেক্রেটরি, প্রসিদেন্ট, ওফিস বিয়ারর ময়ামশিং অসিনা মশা-মশাগী পোক্কেট মনিদগী পুথোক্লম্বা ঙাক্তেনি।

হৌজিক ২০১৮-১৯ সিজন অসিদদি দোমেষ্টিক টুর্নামেন্ট ১৪ শান্নবা য়াওবা অসিদা এম সী এনা করিগুম্বা অৱাবা অমত্তা লৈখিদ্রে, বি সী সী আইনা লোইনা পুথোকপীরে। মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসননা হেক বি সী সী আইদা ফুল মেম্বর ফংবদগী, নেসনল ক্রিকেট একাদেমিনা মণিপুরদগী শান্নরোয় ৫- বিশোরজিৎ কোন্থৌজম, থোকচোম কিষন, পুখ্রম্বম প্রফুলমণি, কাঙবম প্রিয়োজিৎ, লমাবম অজয় খন্দুনা কেম্প অসিদা য়াওবা ঙমখ্রে। মসিদা নৎতনা ইন্টরনেসনল প্লেয়র ফাওবা পুথোক্কুনা মণিপুরদা ক্রিকেটকী অনৌবা ময়োন অমা চোংহনখি।

অনধ্র প্রদেশকী অনন্দপুরদা পাঙথোকখিবা কোচ বিহার অন্দর-১৯ ট্রোফি ২০১৮গী অরুনাচল প্রদেশতা শান্নখিবা মেচ অদুদা মণিপুরগী প্লেয়র রেক্স রাজকুমারনা ইন্নিং অমদা ৱিক্কেট ১০ লৌদুনা মেচ অদু য়াম্না লাকচনা থোইখি। মহাক্কী বোল্লিং ষ্টাইল অসি মীয়াম্না ইন্দিয়াগী ভেটরান প্লেয়র ইরফান পথানগা মান্নে হায়দুনা মীয়াম্না ঙাঙনখি। মদুদগী মহাক মণিপুরদগী ইহান হানবা ওইনা অন্দর-১৯ ইন্দিয়া টিমদা শরুক য়াদুনা ইন্টরনেসনল টুর্নামেন্ট, সাউথ অফ্রিকা শান্নবদা য়াওখি।

রেক্সকী পাউ অসি ক্রিকেট লোভর/প্লেয়র ময়াম্না হেক তাখিবদগী হৌগৎলক্লিবা ক্রিকেটপু পামজবা প্লেয়র ময়াম অসি মখোয়দা হোৎননিংবগী ঈথিল কয়া পীবদা নৎতনা মণিপুরদা ক্রিকেটকী ফীভম অসি চাওখৎলক্লে হায়বা বি সী সী আইনা শকখঙবীখি। হৌজিক মণিপুরদা ক্রিকেট অসি চহী অনী-অহুম অসিদা য়াম্না ফগৎলকপনা এম সী এনা মফম কয়াদা গ্রাউন্দশিং শেমগৎনবা হোৎনরি। হৌজিক-হৌজিক্কী ওইনদি লুৱাংপোকপা ষ্টেদিয়ম অসিনা মেন গ্রাউন্দ ওইনা লৈরি। লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দ, ওরিয়েন্টেল কোলেজ গ্রাউন্দ, হৈনৌবোক্তা শেম্বা হৌরে। হৌজিকসু সেক্রেটরি, ওফিস বিয়রর, গ্রাউন্দ কমিটিশিংনা চৎতুনা গ্রাউন্দ দিভলপ তৌনবা য়াম্না কন্না হোৎনরি।



হৌজিক এম সী এগী মখাদা ক্লব ৩২ লৈরি। মদুদি থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ক্রিকেট এসোসিএসন, ত্রাও ক্বাকৈথেল, রোয়ল ইলেভেন য়ংষ্টার, ক্রিকেট ক্লব, ব্লু হোক ক্রিকেট ক্লব খুরাই, ক্রাও, পি টি আর সী-পাৎসোই, সাইক্লোন ক্রিকেট ক্লব থাংমৈবন্দ, য়ং ৱেলফেয়র ক্লব, চেম্প ক্রিকেট ক্লব, মোদেল ক্লব শীংজমৈ চীংঙামখা, ঈ এস য়ু-ৱাঙ্খৈ, ৱাই এ সী-য়াইস্কুল, ৱাই দব্লিয়ু সী- পাৎসোই, ওস্কার স্পোর্টিং য়ুনিয়ন পাৎসোই, ওস্কার স্পোর্টিং য়ুনিয়ন, য়ু সী সী-উরিপোক, ফোর্স ক্রিকেট ক্লব- ক্ষেত্রিগাও, পি সী সী-ময়াই কোইবী, এন এ পি এস এ- খা ইম্ফাল, পি এস সী- খুয়াথোং, আর আর সী সী- চুড়াচান্দপুর, টি সী এম দি সী- থোংজু, এস সী সী সী, কে আই ৱাই সী- ক্ষেত্রিগাও, সী দি সী- সগোলবন্দ সলাম লৈকাই, আই বি এস এ-শীংজমৈ য়ুম্নাম লৈকাই, ৱাই য়ু সী-ক্বাকৈথেল মোইরাংপুরেল লৈকাই, অল-অমিন লিলোং, এস এস য়ু-শীংজমৈ-কক্ৱা, দব্লিয়ু ৱাই সী- থৌবাল ৱাংখেম, পি টি সী সী-পাৎসোই অমসুং কে এস দি ও- ক্যামগৈ তুরেল ৱাংমানি। হায়রিবা ক্লব/এসোসিএসনশিং অসিনা এম সী এদা এফিলিয়েট তৌদুনা মণিপুরগী ক্রিকেট চাওখৎনবা টুর্নামেন্ট কয়া পাঙথোক্কুনা কন্না হোৎনরি।

এম সী এ অসি চাওখৎনবগীদমক্তা হৌজিক এম সী এগী সেক্রেটরিনা বি সী সী আইদা প্রপোজ তৌদুনা ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, থৌবাল, বিষ্ণুপুর অমসুং ককচীং হায়রিবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা গ্রাউন্দ শেমগৎনবা হায়জবা লৈখ্রে। গ্রাউন্দ নীংথিনা মতীক চানা লৈতবা মণিপুরদা বি সী সী আইনা শিনবা টুর্নামেন্ট অমত্তা পাঙথোকপা ঙমদনা লৈরিবা অসি ঙম্নবা কন্না তকশিল্লি।

এম সী এগী সেক্রেটরিগী ভিজনদা গেম অসি চাওখৎহনগে হায়রবদি গেম অসি গ্রাসরুট লেভেল (য়ু-১০, য়ু-১৩ অমসুং য়ু ১৫)দগী হৌনা টুর্নামেন্ট কয়া পাঙথোক্কুনা অফবা শান্নরোয়শিং শেমগৎপা য়াম্না মথৌ তাই।

এম সী এগী ওপরেসন মেনেজর ললিতচন্দ্রনা ফোঙদোরকপদা মণিপুরদা ক্রিকেট মশান্না অসি য়াম্না থুনা চাওখৎহনগে হায়রবদি লৈকাই-লৈকাইদা লৈবা গ্রাউন্দদা ফুটবোল শান্নফম লৈবগুম ক্রিকেটকীসু লৈরবদি য়াম্না থুনা ক্রিকেট অসি চাওখৎকনি।

মণিপুরগী অহানবা ইন্টরনেসনল প্লেয়র আর কে রেক্সনা ফোঙদোরকপদা মণিপুর অসি ক্রিকেটকী মশান্না অসিদা য়াম্না থুনা চাওখৎহনগে হায়বা তারগদি ইন্দোর ফেসিলিটিজ লৈহনবা অমসুং গ্রাউন্দ মরাং কাইনা লৈরবা অমসুং টুর্নামেন্ট য়ু-১৬, য়ু-১৯ খায়দোক্তনা লেপ্তুনা টুর্নামেন্ট চথরবদি মণিপুরসু শোয়দনা আই পি এল অমদি ইন্দিয়াগী টিমদা য়াওবা ঙমগনি।

হন্দক বি সী সী আইদগী ২০১৮-১৯ সিজন অসিদা ফুল মেম্বর ফংবদগী অতোপ্পা ষ্টেট- দিল্লি, জম্মু এন্দ কাশ্মীর, ঝরখন্দ হা রিবা ষ্টেটশিংগা শান্নবা ঙমখ্রে। অদুবু মখোয়গা শান্নবদা মায়থীবদি নংখি। অদুম ওইনমক মখোয়না ঐখোয়দগী য়াম্না হেনবা নত্তে। মখোয়না হান্নদগী শান্নরগা লাকপনা এদভান্টেজ লৈখিবনি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোরকপদা, ইন্দিয়াগী সিনিয়র টিমদা য়াওগে হায়রবদি মরু ওইনা রাঞ্জি ট্রোফি, মুস্তক অলি, বিজয় হাজারি হায়রিবা দোমেষ্টিক টুর্নামেন্টশিংদা ফজনা পর্ফোর্মেন্স পীবা ঙম্লগদি শোয়দনমক্কী ইন্দিয়াগী টিম অমসুং আই পি এল টুর্নামেন্টশিংদা য়াওবা ঙমগনি। অচৌবা টুর্নামেন্টশিংদা য়াওবা হায়বসি গ্রাসরুটতা লৈবা য়ু-১০, য়ু-১৩, য়ু-১৫ টুর্নামেন্টশিংদা পর্ফোর্মেন্স ফজনা পীদ্রগদি য়াবা নত্তে। হৌজিক মণিপুরগী ওইনদি রাঞ্জি ট্রোফিদা য়াওবা ঙম্লবনিনা মসিদা হেন্না ফজনা পর্ফোর্মেন্স পীরগদি মণিপুরগী প্লেয়রসু শোয়দনা ইন্দিয়াগী টিম য়াওবা ঙমগনি থাজে।

# ইংলেন্দবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীদুনা মমাংগী চেম্পিয়ন য়ু এস এ ফাইনেল য়ৌখ্রে

লিওন, জুলাই ০৩ (এজেন্সী)ঃ ফ্রান্সনা য়ুম্ফু ওইদুনা পাঙথোকপা ফিফা ৱুমেন্স ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙরা নুমিদাং শান্নখিবা অহানবা সেমীফাইনেল মেচতা মমাংগী চেম্পিয়ন ওইরিবা য়ু এস এনা ইংলেন্দগা অকনবা লম্বা তৌরবা মতুং পাঞ্জল ২-১দা মায়পাক্কুনা সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

য়ু এস এগী টিমদা মখোয়গী য়াম্না মরু ওইবা শান্নরোয় মোগান রাপিনো হেমষ্ট্রিং শোকপদগী ঙরাংগী মেচ অদুদা শরুক য়াবা ঙমখিদে। নীশিংবা য়াবদি মোগাননা স্পেন অমসুং ফ্রান্সকা শান্নখিবা মমাংগী মেচশিংদা য়ু এস এগী পাঞ্জল পুম্নমক চনখিবনি।

লিওন ফুটবোল ষ্টদিয়মদা মীওই ৫৩,০০০ হেনবনা মীৎয়েং তাখিবা অহানবা সেমীফাইনেল মেচ অদগী হৌরকপদগী য়ু এস এগী মায়কৈদগী বোল হেন্না পায়বা ঙমদুনা ইংলেন্দগী মায়কৈদা ঙন্না এটেক চথবা ঙমখি।

ইংলেন্দগী শান্নরোয়শিংসু ৱর্ল্ড কপ অসিগী পুৱারীদা অহানবা ওইনা ফাইনেল য়ৌননবা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা শান্নরকখি। শান্নবগী ১০শুবা মিনটতা য়ু এস এনা পুশিল্লকখিবা এটেক অমদা কে ও হরানা পীরকপা বোল অমা খৃষ্টেন প্রেসনা য়াম্না ফজনা হেট তৌশিল্লগা অহানবা পাঞ্জল ওইখি।

ইংলেন্দগী মায়কৈদগী ১৯শুবা মিনটতা য়েৎ থংবা ফিল্ডগী মায়কৈদগী বি মিদনা পীরকপা বোল অমা টুর্নামেন্ট অসিদা পাঞ্জল ৫ চনবা ঙমখ্রবা ইংলেন্দগী ইলেন হ্বাইটনা য়াম্না ফজনা ইক্বেলাইজর অদু চন্দুনা মেচ অদু য়াম্না মান্নবা ফিভমদা লৈরকখি।

৩১ শুবা মিনটতা য়ু এস এগী এল হোরাননা পীরকপা পাস অমদা টিমমেট এলেক্স মোর্গাননা পাঞ্জল ওন্থোক্কুনা ২-১দা হেন্দুনা লৈখি। পাঞ্জল হন্দোক্লবা য়াম্না কন্না হোৎনরকখিবা ইংলেন্দগী মায়কৈদগী অনীশুবা হাফ অদুগী অয়াম্বা মতম বোল পুশিন্নবা লাক্লখি। পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা ইলেন হ্বাটনা মহাক্কী টিমমেটনা পাস তৌরকপা বোল অমা য়ু এস এগী পেনাল্টি বোক্সতা ফংদুনা কাউশিন্নবা হোৎনবদা তুহনখিবগীদমক ভিদিও এসিষ্টেদ রেফরিগী মতেংনা পেনাল্টি ওইদুনা ৮৪ শুবা মিনটতা ইংলেন্দগী ষ্টেফ হাওটননা কাউখিবদা য়ু এস এগী গোল কিপ্পর এলিসা নেহরনা মহাক্কী য়েৎ থংবা মায়কৈদা চোংদুনা বোল অদু ফাখিবদগী ইংলেন্দগী শান্নরোয় অমদি মীৎয়েং তাখিবা পুম্নমক নীংবা কাইনখি। মিনট ৭কী ইঞ্জুরি টাইম হাপ্তুনা লম্বা মখা তারকখিবদা ইংলেন্দগী টিম ইক্বেলাইজর অদু ফংদনা ফিফা ৱুমেন ৱর্ল্ড কপকী অহানবা সেমি ফাইনেল মেচ অদুদা য়ু এস এগী মখুৎতা ১-২দা মায়থীদুনা লৈহৌখি। ঙসি অথেংবদা অনীশুবা সেমি ফাইনেল ওইনা নেদর্লেন্দস অমসুং স্বিদেন লম্বা তৌনরগনি।

# য়ুম্বু ইংলেন্দনা ন্যু জিলেন্দ থোইদুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে

চেষ্টর-লি-ষ্ট্রিট, জুলাই ০৩ (এজেন্সী)ঃ য়ুম্বু ইংলেন্দনা ন্যু জিলেন্দবু রন ১১৮দা থোইদুনা ৱর্ল্ড কপ অসিগী সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙম্বা ৩শুবা টিম ওইখ্রে।

ঙসি চেষ্টর লি ষ্ট্রিটতা লৈবা রিভর সাইদ ক্রিকেট গ্রাউন্দদা ইংলেন্দগী কেপ্টেন ইওইন মোর্গান টোস ঙমদুনা বেট্টিং হান্না তৌরকপদা ৱিকেট ৮ তুরগা ওভর ৫০ অদুদা রন ৩০৫ লৌখি। ইংলেন্দগী মায়কৈদগী জোনি বার্ষ্টৌনা বোল ৯৯দা সিক্স ১গা ফোর ১৫ য়ৈদুনা রন ১০৬ লৌখিবা মশান্না অদুদা খ্বাইদগী ফজবা ওইখি।

মহাক্না ইনিংস হৌদোকমিন্নখিবা জেসন রোই রন ৬০ লৌরমখি। লোয়ননা কেপ্টেন ইওইন মোর্গনসু রন ৪২ লৌদুনা টিম অদুগী অপুনবা স্কোরদা চাওনা মতেং পাংলমখি।

মেচ মায় পাক্লনবা ন্যু জিলেন্দনা রন ৩০৬কী টার্গেট অদু লৌননবা হোৎনরকপদা ওভর ৪৫দা ৱিকেট ১০মক আউট ওইরগা রন ১৮৬খক লৌখিবদগী মেচ অদু মখোয় রন ১১৯দা মায়থীবা নংখি। ন্যু জিলেন্দগী মায়কৈদগী টোম লেথমনা রন ৫৭ লৌখিবা অদুনা খ্বাইদগী য়াম্বা ওইখি।

ইংলেন্দগী কেপ্টেন মোর্গননা ন্যু জিলেন্দগী মায়োক্তা চথখিবা এটেক অদুদা পুন্না বোল্লর ৭ শীজিন্নখি। মদুগী মনুংদা মার্কৱুদনা ৱিকেট ৩ লৌরগা অতোপ্পা বোল্লর ৫না ৱিকেট অমমম লৌদুনা ন্যু জিলেন্দগী বেট্টিং লাইন অপ অদুবু পার্টনর্সিপ চাওনা শেমহন্দনা মেচ অদু চাওনা মায় পাকখি।

ৱর্ল্ড কী অসিগী ৪শুবা সেমি ফাইনেলিষ্ট অদু পাকিস্তাননা করিগুম্বা বংলাদেশপু নেট রন রেটতা য়াম্না চাওনা মায় পাকপা ঙম্লবদি ন্যু জিলেন্দ ইন্থরগা মখোয় সেমি ফাইনেল য়ৌগদৌরিবনি।

# ব্রাজিলনা অর্জেন্টিনাবু থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌখিবদগী মেসিনা ইন্টর্নেসনল টাইটল লৌবগী খুদোংচাবা মাঙজখ্রে



বেলো হোরাইজোন্টে, জুলাই ০৩ (এজেন্সী)ঃ ব্রাজিলনা য়ুম্ফু ওইদুনা থা অসিগী ১৪দগী হৌখিবা কোপা অমেরিকা ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেচতা ব্রাজিলনা অর্জেন্টিনাবু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীদুনা মেসিনা শরুক য়াখিবা টিম অদুনা ইন্টর্নেসনল টাইটল ফংবগী লম্ব্বেল অদু লোইশিনখি।

ঙরাং ব্রাজিলগী বেলো হোরাইজেন্টেদা লৈবা মৈনৈ রাও ষ্টেদিয়মদা ফুটবোলগী লমদা থোইদোক হেন্দাক্না মীয়াম পুম্নমক্না খঙনরবা এজেন্টিনা অমসুং ব্রাজিলগী লম্বা ওইখি।

পনবা য়াবদা অর্জেন্টিনাগী মমিং লৈরবা শান্নরোয় লিওনেল মেসিনা তোঙান-তোঙানবা ইন্টর্নেসনল টুর্নামেন্ট কয়াদা অর্জেন্টিনাগী মহুৎ শীন্দুনা শান্নরকখিবদা ফাইনেল য়ৌবদি ঙম্লগা টাইটল লৌবা ঙমদনা লাকখিবা অদু হন্দক্কী কোপা অমেরিকা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিদা ফাইনেল য়ৌবা ঙমদনা ঙরাং অথেংবদা ব্রাজিলনা অর্জেন্টিনাবু ২-০দা মায়থীবা পীরমখি। মেচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল ব্রাজিলগী শান্নরোয় রোবার্তো ফর্মিনোনা পীখিবা পাস অমদা টিমমেট গেব্রিএল জিজসনা ১৯ শুবা মিনটতা চনখি। এর্জেন্টিনাগী শান্নরোয়শিং পাঞ্জল হন্দোক্লবা অহানবা হাফ অদুগী লেমহৌবা মতম অদুদা য়াম্না কন্না হোৎনরকখি। অদুবু ব্রাজিলগী দিফেন্দরশিং অদুসু মীৎকুপ নাহুম শীংনা লৈখিবদগী ইক্বেলাইজর ফংদনা হাফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফতা মেচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা গেব্রিএল জিজসনা পীখিবা পাস অমা রোবার্তো ফর্মিনোনা পাঞ্জল চন্দুনা অর্জেন্টিনাবু ২-০দা হেন্দুনা লৈখি। মেচকী মখা তারকপা মতম অদুদা ব্রাজিলগী মায়কৈদগী য়াম্না ফজনা শান্নখিবা মরম্না অর্জেন্টিনা হোৎনখিবশিং অদু অরেম্বা তাহন্দুনা অপিবা মিনট লোইশিল্লকপা ফাওবদা মেসিনা লুচিংবা টিম অদুগী পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমদনা ব্রাজিলনা টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেলদা মমাঙগী চেম্পিয়ন চিলি অমসুং পেরুগী অথোইবগা লম্বা তৌনরগনি।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com